ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯔꯤ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ফেব্রুৱারী ২১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩২৪শুবা মশীং

## মথংগী চীফ মিনিষ্টর কনানো

### হৌজিক ফাওবগীদি অমম্বা ৱাহং ওইরি

ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্লগদবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল মতুংদা শোয়দনা লিংলগদবা ষ্টেটসিগী অনৌবা লৈঙাক কনানা লুচিংগদৌরি? হায়বদি চীফ মিনিষ্টর কনানা ওইগদৌরি? ৱাহংসিগী পাউখুম হৌজিক ফাওবগীদি অমম্বদা লৈরি। পাউখুম লৈত্রিবা ৱাহং ওইরি। অদুবু ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মতুংদগী লিংলকখিবা চুংশিন্নবা লৈঙাকসিবু লুচিংলক্লিবা অদুগা পাঙথোক্লগদবা মীখলসিদসু সিট ৪০দগী ৪৫ ফাওবা ফংদুনা এবসোলুট মেজোরিটি ফংগনি, বি জে পি খক্তগী লৈঙাক অমা লাক্লগনি হায়রিবা বি জে পিগী মায়কৈদগী হন্দক্কী মীখলসিদা 'চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট' পুথোক্তুনা লাউথোক্লগা মীখলসি থেংনরকপা ওইরগদি ৱাহংসিগী চপ চাবা পাউখুম খক ওইদ্রবসু অপূনবা সিট ৬০ মক্তা লম্বা তৌরিবা বি জে পিগী ওইনদি নাখে শেংলে হায়বা ফাওবদি য়ারবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগীদি বি জে পিগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেটনি হায়দুনা খুদোম্বী থিল্লকপা লৈত্রি। অমরোমদবুদি খুদোম্বী থিল্লকপা নৎত্রগা থিল্লক্তবগী ৱাফম নাকলদা থমখ্রগা চুংশিন্নবা লৈঙাকসিবু লুচিংলক্লিবা বি জে পিগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর অমা লৈরিবনা ৱাহংসি হংনীংঙাইবুদি ওইদ্রবনি, হংফমসু থোক্ত্রবনি। অদুবু ফেব্রুৱারী ৮, ২০২২দা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা শেনবা চহী ২০২২-২০২৩গী ওইনা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টতা টেবল তৌখিবা য়ুনিয়ন বডজেটকী মতাংদা বি জে পিগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র য়াদবনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতুংইন্নদি মণিপুরগী মথংগী চীফ মিনিষ্টর কনানা ওইগদগে হায়বা ৱাহংসি হংদবা য়ারক্ত্রি। মরমদি নুমিত্তুদা পাউমীশিংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রিবদু বি জে পিগী ওইনা কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইগদগে হায়বদু পার্টিসিগী পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দনা লেপকনি হায়বনি। মসিনা তাক্লিবদি হৌজিক পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগী ফেজ অনীমক্তা বি জে পিনা মখোয়গী মীরেপ লোইনা থাদোক্লগসু, এবসোলুট মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেমদুনা পায়রগনি হায়রগসু কনাদা লৈঙাক্তু লুচিংহনগনি হায়বসি লৈখাই তাদ্রি হায়বনি। পার্টিগী মায়কৈদগী চুংশিন্নবা লৈঙাকসিবু চহী ৫ য়ৌনা কিন্থরকহন্দনা পিরাই ঙাক্তুনা পুথজরকখিবা মীওইসিনা অদুম্মক ওইখিগনি হায়বা ৱাফমসু দোং লাউনা হায়দোক্ত্রি। চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমদি পার্টিগী পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দনা লেপকনি হায়দুনা ইনশিনখ্রগা/থংজিনখ্রগা হোংবা-চাওবা অমনা ওইরগনি হায়দুনা হেক্তা হায়দোকপা ঙমদ্রিবা, চিন-লৈ ইফা-ফাজিনবদৌনা তৌখ্রিবা করিগীনো? মসিবু বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট পুথোরক্ত্রিবসিগী ওইগদ্রা?

অদুবু সিট য়াম্না ফংদুনা মথংগী লৈঙাকসু খূৎপায়নরগনি হায়রিবা পার্টি অসিনা চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট পুথোকপসু ঙমদ্রিবা, মথংদদি মহাক্না ওইরগনি হায়না মাঙজৌননা হায়দোকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা মীওইসি মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী মায় পাক্লক্লোই হায়না খনবদগীরা? মসিমক্তি ওইরমগনি থাজদে। মরমদি মহাক্কী এসেমব্লি সেগমেন্টতা মহাক্কা লম্বা তৌগদৌরিবসি ওপোজিসন কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরবসু শুপ্নতগী কেন্দিদেট অমখক্তনি। চপ চাববুদি মীখলগী রিজল্ট লাউথোরক্লবা মতুংদা খঙগদবনি। অদুবু মহাক্না মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবদি য়াম্না চাউনা লৈরি। অদুবু মহাক্না মায় পাক্লক্লগদি চীফ মিনিষ্টর শোয়দনা ওইরগনি হায়বা ৱাফমদি পার্টিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা ঙমদ্রি। মসিগী মরম মরোল-মরোল লৈরমগনি, মরমশিং লৈবদগী হায়দোকপা ঙমদবনি। মরমশিং অদুগী মনুংদা থেংনগদৌরিবা তাঙ্কক অনীগী মীখলশিং অসিসু য়াওরম্বা য়ারিবনি। অদুবু ইশম-শম্বদা লৈবাক অপূনবগী ওইনা পাঙথোকখিবা হৌখিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখল অনীদদি নরেন্দ্র মোদিবু প্রাইম মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট ওইনা চুঙ্গোইদৌনা পুথোক্লগা মীখল থেংনখিবনি। মীখল অনীমক্তা বি জে পিনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা মায় পাকখিবনি। অদুবু অদুগুম্বা থৌদোক্তু মণিপুরদনা থোরক্কনি হায়দুনা চিন্দা হায়জরগসু পূক্নিং লূপ্লবা ফীভম অমদি ওইহনবা ঙমদ্রিবনি। মসিনা বি জে পিগী ৱানি, কোংগ্রেসলোমদা য়েংলুরগনা কমদৌবা? চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেটকী মতাংদদি চপ মান্নরি। শাংলবা চহী ১৫ চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লৈঙাক পায়রকখ্রবা মীওইসিনা চীফ মিনিষ্টর ওইগনি নৎত্রগা মহাক্না পার্টিসিগী চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেটনি হায়দুনা মখৌ পোংনা লাউথোক্তুনা কেম্প্যেন চত্থরকপা ঙমদ্রি। পার্টিসিগী মনুংদসু চপ মান্নবা লিদরশিপকী ক্রাইসিস মায়োক্নরি হায়বদা হেন্না হায়জিনবা, অরানবা ওইগদ্রা? টর্ম অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা মীওই অমনা মথংদসু মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়দোকচবা ঙমদ্রিবা করিগীনো? মহাক্কী পার্টিগী মায়কৈদগীসু মহাক ওইহল্লগনি হায়রকপা করিগী ঙমদ্রিবনো? অদুগা অতোপ্পা পার্টিশিংদা য়েংলুরগনা এন পি পি, জে দি (য়ু), এন পি এফ, আর পি আই অমসুং শিব সেনাগীনা কমদৌবা? পার্টিশিংসিনা মীরেপ ৪০ হেন্না পুথোরকপা য়াওরগসু চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট অমমম পুথোরক্তুনা মসিগী বেন্নর মখাদা ইলেক্সন কেম্প্যেন চত্থবা ঙম্নরক্ত্রিবা করিগীনো? মসিগীসু মাগী মাগী ওইবা মান্নদবা মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। অদুবু হন্দক্কী মীখলসিদদি পার্টি অমত্তনা চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেটশিং পুথোকপা ঙমদ্রে। অদুম ওইনমক মসি পুথোক্লদে হায়দুনা মীখল মতুংগী রিজল্ট লাউথোরক্লগা চীফ মিনিষ্টর লৈতবদি য়ারোই। অমা নৎত্রগা অমদি শোয়দনা লাক্কনি। অদুগীসু মথক্তা ভোট হায়বসিদি তম্বা ঙম্বা নত্তে। খল্লুবনা অমা থোরকপা, ওইরকপনা অমা ওইরক্লোই হায়বসু য়ারুবা নৎত্রি। পূম্নমক লাউথোরক্কদবা রিজল্টকী মখা পোনগদৌরিবনি। মরম অসিনা হৌজিক ফাওবদদি মথংগী চীফ মিনিষ্টর কনানা ওইগনি হায়বসি অমম্বা ৱাহং অদুম্মক ওইরি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬

১) ***"পত্তুম্মাগী হামেঙ"*** হায়বা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অদুগী অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) **"মফম খঙদনা/মাঙখ্রবা/ঐগী ইমি,/হায়য়ু/কনানা করম্না মূত্থৎখিবনো নঙবু/ঐগী লৈমায়দগী।"** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিকনি **"মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী বাহরেন"** হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) ১৯৬৭ ইংদা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিকনি **"নোংদম"** হায়বসি। লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***"মশাবী লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মশানৌদা পাওমেলঙামএ। ইশানৌ য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও, নহান নোং ইপল পলেম ইমা নোংমোইনু অহোংবীনা তুশারমপপু লৈএ। শানৌ ইচিল ইনাওতি মোংবা অমরক তুতেংহৌসে।"*** ৱাহৈ পরেং খরসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

## লফুদা তাবা লায়নাশিং অমসুং ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ

**ডো: এম থোইথোই সিংহ**

মীওইবনা শীজিন্নবা হৌরকখিবা অরিবা অমদি হৌজিক হৌজিকসু য়াম্না মরু ওইবা ওইনা শীজিন্নরিবা উহৈশিংগী মনুংদা লফোইসু অমনি। পূম্নমক্না হেন্না খঙবীরিবনি - লফোই হায়রিবা উহৈ অসি মীওইবগী হকচাংদা য়াম্না কান্নরবা উহৈ অমা ওইবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী ধর্ম্ম-কম্মগী ওইবা থৌরমশিংদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা উহৈ অমা ওইরিবনি। মরম অদুনা লফোই অমদি লফু পাম্বীশিংদা লায়না মখল কয়ানা নাহন্দুনা মহৈ মপূং ফানা য়ানবা ঙমহন্দবা কয়া থেংনরিবা অসিগী মতাংদা তঙাইফদনা মীৎয়েং চঙদুনা করম্না লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্কদগে হায়বসি খঙবা য়াম্নমক মথৌ তারক্লি। লফোই অমসুং লফু পাম্বীশিংদা নারিবা লায়না মখল কয়ামরুমগী মনুংদা - ১) *লীফ স্পোটনৎত্রগা সিগাটোকা ডিজিজ*, ২) *ফুজেরিয়ম ৱিল্টনৎত্রগা পানামা দিজিজ* অমদি ৩) *মনা পুঙবী (বঞ্চি টোপ)* নচিংবশিং অসি মমিং পনবা য়াই।

**১) লীফ স্পোট নৎত্রগা সিগাটোকা :**

সিগাটোকা, ফিজিদা লৈবা তম্পাক অমগী মমিংনি। মফম অসিগী লফুশিংদা লায়না মখল অসিনা য়াম্না শাথিনা শোকহল্লি হায়দুনা লীফ স্পোটপু সিগাটোকা দিজিজ হায়না খঙনৈ।

**লায়না অসিগী লায়ওং :** লায়না অসিগী লায়ওংসি পাম্বীগী খ্বাইদগী মখা থংবা মনাদগী উৎপা হৌরকই। মনাদা অপিক-অপিকপা দাগ লৈরম্বদগী নাপু শারকই। লাদা লৈরিবা অপিকপা মশিংশিংদুগী মনাক্তা শাংনা শাংনা দাগশিং লৈবা উরকই। মতুংদা দাগশিংদু অমগা অমগা পুনশিন্নদুনা মনাদু কংশিল্লকই। কংলবা মনাদা মচিঞ্জাক শুংবা ঙমদবা লফোইশিংদু হৈজিং ফাবা ঙমহন্দে। মপূং ফাবা ঙমদনা মুনবা মালহল্লি। লফোইদু মশেক নাইনা উগনি। মতুংদা মখোক্তু শোন্থরক্তুনা, কংলবা মনা ওইনা য়ান্দুনা লৈগনি।

**করিনা লায়নাসি থোকহল্লি :** লায়না অসি মাইকোসফারেল্লা ম্যুজিকোল হায়বা কোকফাই শুজা অমনা থোকহনবনি। লায়না অসি খজিক শাগৎলকপা হায়বদি সেলসিয়স দিগ্রী ২৩দগী ২৫ ফাওবা লৈবা মতমদা ঈনিল লৈরবদি লায়না অসি শন্দোকপা থুজিল্লি। সেলসিয়স দিগ্রী ২৩গী মখাদা তাথরিবমখৈ লায়না শন্দোকপা হন্থরকই।

**লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং :** ক) লায়না অসিনা শোক্লবা লাশিং খোমজিন্দুনা মখা তানা শন্দোক্তনবা মৈ থাদোক্কনি।

খ) ঈশিং তুংহন্দবগা লোয়নননা মফমদুদা নাপি-শিংবীশিং লৌথোক্কনি। পাম্বী অমগা পাম্বী অমগা থাপ্নবগী চাং চপ চানা থমগনি অমসুং চপ চানা হার হাপকনি।

গ) লায়নাসি উবা হৌরকপা মতমদা নুমিৎ ১৫ কান্ন-কান্ননা কোকফাই শুজা অসিবু হাৎপা ঙম্বা হীদাকশিং কাপথোকপা তাই। মসিগীদমক ঈশিং লিটর অমদা কার্বেন্দাজিম গ্রাম ১ নৎত্রগা ক্লোরোথালোনিল গ্রাম ১.৫ তুমহনবীরগা কাপথোক্কনি।

**২) ফুজেরিয়ম ৱিল্ট নৎত্রগা পানামা দিজিজ :** লায়না অসি ফুজেরিয়ম ওক্সিস্পেরিয়ম হায়বা কোকফাই শুজা অমনা থোকহনবনি। হায়রিবা কোকফাই শুজা অসিনা পাম্বীশিংনা ঈশিং অমসুং মচিঞ্জাক চিংখৎপদা শীজিন্নরিবা জাইলেম ভেসেলশিং অদু ফুনজিলহন্দুনা মথৌ তৌহন্দে। মসিগী ফল ওইনা পাম্বীদুগী মনাশিংদু খুইথহল্লি। লায়না অসিগী লায়ওংদসু মখা ইথং থংবা মনাদগী হৌদুনা নাপু মচু চঙলকই। নাপু চঙলকপা অসিসু মনাগী মপানশিংদুদগী হৌরক্লগা লাগী লাখোক্লোমদা চঙশিল্লক্তুনা লাখোক্তু তেকহল্লি, মতম খরা য়ান্দুনা লৈরবা মতুংদা কংশিল্লকই। লফুগী মখোঙৱাইদা য়ুংনা চেকখাইবা থেংনগনি। লফুদু ককথৎলগা য়েংবদসু মচি মচিদা মচু ঙাঙনা ঙাঙনা লৈরমগনি। লায়ওংশিং অসি লফুনা লায়না অসি নারে হায়বগী খুদমশিংনি।

লায়না অসি খরা হেন্না শিনবা (এসিদিক) মফমশিংদনা হেন্না তৌগল্লি। লায়না অসি সোইল বোর্ন ওই, হায়বদি লৈবাক্তগী থোকহল্লকপনি।

**লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং :**

ক) লায়না চেন্দবা মফমশিংদগী অফবা চারা লৌগনি।

খ) ফত্তবা পাম্বীশিং হায়বদি লায়না চেল্লবা পাম্বীশিং মতম চানা য়ান্থৎতুনা মৈ থাদোক্কনি। লায়না চেল্লবা পাম্বীশিং লৌথোকখিবগী কোমশিংদু শুনু চাইশিনগনি। কোম অমদা কিলোগ্রাম অমদগী অনী ফাওবা হাপ্পীবা য়াই। শুনু চাইশিন্দুনা অশিনবগী চাং হন্থহল্লবদি লায়না অসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অদুগী মশীংসু য়াম্না হন্থহনবা ঙমই।

গ) লায়না অসিনা ফীভম শোকহল্লবা মফমশিংদু চহী অহুম নৎত্রগা মরিদি অতোপ্পা পাম্বীশিং থাগনি মতুংদা লফু অমুক থাবসু য়াই।

ঘ) কার্বেন্দাজিম চাদা ০.৩গী মপাঙ্গল লৈবা ঈশিংদা থাগদৌরিবা চারাশিংদু মিনট ৪৫ তীঙবা ফৈ।

ঙ) ঙল্লিঙৈদা খঙলবদি লফু মরা অদুদা সেন্টিমিটর ১০ লুনা অমসুং সেন্টিমিটর ৬ লাওনা পৈরপ্না হায়বদি দিগ্র ৪৫দা হুৎলগা কার্বেন্দাজিম ৫০% গ্রাম ৪ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানশিল্লগা শেল্লবা হীদাক মিলিলিটর অহুম হৈজিনবিরবদি কান্নবা ফংগনি। মসি থাখ্রবা মতুং ৫শুবা, ৭শুবা অমসুং ৯শুবা থাদা পাঙথোকপীরবদি পাম্বীশিং অদু কনবা ঙমগনি।

**৩) মনা পুঙবী লায়না (বঞ্চি টোপ) :**

লায়না অসি ইহান হান্না ওষ্ট্রেলিয়াদগী খঙনরকখি। ফিজি, ইজিপ্ট অমসুং শ্রীলঙ্কাদসু য়াম্না তোয়না থোকপা লায়নানি। ইন্দিয়াদা হৌরক্লিবসিসু শ্রীলঙ্কাদগী লফু চারাশিং পুশিল্লকপদা চারাশিংদা চেন্নরকখিবা লায়নানি হায়না থাজনরি।

**লায়ওং :** মনা পিশিল্লকই, মনাগী মপান্দু খোয়দ্রিং খোয়দ্রাং তৌরকই, মতুং তারকপদা মনাশিংদু কোনখৎলক্তুনা হি মাল্লকই। মনা পিকশিল্লকপনা মচিঞ্জাক শুংবা ঙমশিল্লক্তবনা মরম ওইদুনা লফুদু কোলি শুংজিল্লি। মনাদুদা শংবগী চাং হেঞ্জিনবা শরুকশিং উবা ফংই। মপূং ওইনা য়েংবদা মনা পুঙবা লফু কোলি মাল্লি। লায়না অসি মুশা ভাইরস-১ হায়না খঙনবা ভাইরস মখল অমনা থোকহনবনি। ৱাহিক মখল অমনা লায়না অসি লফু অমদগী অমদা শন্দোরকই।

**লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :**

ক) লায়না চেনবা পাম্বীশিং লৌথোক্কনি অমসুং মৈ থাদোক্তুনা নৎত্রগা ফুমজিন্দুনা মাঙহনগনি।

খ) কেরোসিন কাপশিন্দুনা ৱাহিকশিংদু লফুশিংদুগা লোয়ননা মাঙহনগনি।

গ) অফবা ভাইরস পক্তবা চারাশিং শীজিন্নগনি। ●

## তুং কোইবা লৌউ অমগীদমক (ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট- আই এন এম)

**- এস সুমঙ্গল -**

মহৌশাগী লৈজরম্বা লৈবাক লৈহাওগী ফীভমদা মীওইবা ঐখোয়না চাবা কোন্ননবা হোৎনবদা অকাইবা কয়া অমা মওং কয়াদা পীরুবদগী অমদি অতোপ্পা মরম কয়াদগী ঙসিদি মালেমগী অকোয়বগী ফীভম হায়বদি ঈশিং, নুংশিৎ অমদি লৈবাক লৈহাওদা অমাঙবা কয়া অমা থোক্লরে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। লৌউ-শিংউগী থবক কয়াদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা রসায়নগী হার, তিলহাৎ হীদাক, নাপি হীদাক অমদি অতৈ পোৎলম কয়াবু লান্না শীজিন্নরুবদগী ঐখোয় মীওইবা য়াওনা অপিকপা মিৎনা উবা ঙমদবদগীনা অচৌবা, কান্নরবা থৱায় কয়াদা অমাঙ অতা কয়া অমা থোক্লরে হায়বসিসু য়ানরবা ৱাফম অমনি। খুদম ওইনা ৱাহিক হাৎনবা দাইক্লোরভোস কাপ্পদা অতোপ্পা কান্নরবা ৱাহিকপু চাথোকপা ঙম্বা শন্দ্রেম্বী অসিসু য়াওনা হাৎলবনি। মসিনা খুদক্তা খঙদ্রবসু মহৌশাগী খলদা অকায়বদি শোয়দনা পীরবনি।

মথক্কী মরমশিং অসিদগী ঙসিদি তোঙান তোঙানবা তুং কোইগদবা লৌউ কাঙলোন কয়াগা লোয়ননা অনৌ অনৌবা অকোইবগী ফীভমদা কায়হন্দবা, মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীরোইদবা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্ননবা পোৎলম কয়া অমা পুথোক্লরক্লি। হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলগী খল্লগা হৌজিক্তি মখোয়শিং অসিবু খঙবা হায়বসি তঙাইফদবা মতম ওইরে। মসিগীদমক অনৌবা ৱাখল্লোন অমা হায়বা তারগদি ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজ মেন্ট অসি মরু ওইবা অমনি।

**ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট :-** ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিমক মথক্তা থমজখ্রিবা তুং কোইবা লৌউ কাঙলোন ওইহনবা হায়বা অসিগী পান্দম ফংননবনি।

পাম্বীদা মচিঞ্জাক পীবা মতমদা অকোইবগী ফীভম শোক্তনবা মওংদা ওর্গানিক্কী ওইবা হার বাইওগী অমদি রসায়নগী হারশিং চাং চানা হাপমিন্নদুনা, ক্রোপ দাইভরসিফিকেসনগা (মখল কয়াগী লৌউ পাম্বীশিং লৌফম অমত্তদা থাবা) লোয়ননা ক্রোপ রোটেসন তৌদুনা অমদি থারিবা পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক্তা অমুক হঞ্জিনবীদুনা লৌউ পোত্থোকশিং শেন্দোং লৈনবা মওংদা পুথোকপবু ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট হায়না খঙনৈ। তঙাইফদনা মনাদা কাপ্পা য়াবা তোঙান তোঙানবা হার মখলশিং কাপ্পসু য়াই।

ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্টকী পান্দমদি শল্লপ্না অসুম্না থম্বা য়াই -

১) রসায়ন, বাইও অমসুং ওর্গানিক্কী হার চাং চানা শীজিন্নদুনা লৈবাক লৈবাক্কী মগুণ অমসুং পোত্থোক হেনগৎহনবা।

২) লৈবাক্তা লৈহাওগী (পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী) পুক্কে হেনগৎহনবা।

৩) পাম্বীগী মচিঞ্জাক পাম্বীদা চাং চানা ফংবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভম শোকহন্দবা অসিনি।

আই এন এম পায়খৎপা অসিগী তোঙান তোঙানবা মওং কয়া অমা লৈবা য়াই। ক্রোপ অমগা অমগা মান্নদবা য়াই।

খুদম খরা থল্লবদা - ভর্মিকম্পোষ্ট শীজিন্নদুনা মনা-মশিং থাগে হায়রবদি কাঙ্খুল অমদা গ্রাম ৩০০ (খুজোক অচৌবা অমা) হাপ্পা অদুগা লোয়ননা অৱাৎপা অদু রসায়নগী হারনা মেনখৎপসু য়াই। ষন্থি ষণয়ুংগী হার শীজিন্নগে হায়রবসু নিংথিনা হার ওল্লবা অদু শঙমদা ষণ গাড়ী মপোৎ ৭-৮ থাখাই অমা ৱাৎলিঙৈ মতমদা লৌফমদা মমুৎ তানা খোইজিনবীহৌবা য়াই। অৱাৎপা অদুনা কেমিকেলগী হারনা মেনখৎপা য়াই। বাইও ফর্টিলাইজর মখল কয়া অমা খুদম ওইনা রাইজোবিয়ম, এজোপিরিলম, ফোস্ফোরস সোলুবিলাইজিং বেক্টেরিয়া, পোটাশ পীবা ঙম্বা হিংকুপ অসিনচিংবা অসিসু শীজিন্নবা য়াই।

থিজিন হুমজিন কয়াদগী খঙলকপা ৱাফমদি মওং (আই এন এম) অসিদা থাবনা ইচম চম্বা মওংদা হায়বদি রসায়নগী হার খক্তং শীজিন্নদুনা থাবদগী চাথোক অসি চাদা ২২গী চাংদা হেনগৎপা ঙম্মী হায়বসিনি। মসিগা লোয়ননা থমজনীংলিবা ৱাফমদি আই এন এম শীজিন্নবনা লৌফম অদু তুং কোইনা লৈহাও চেনবা মফম ওইদুনা লৌউ পোত্থোক নিংথিনা পুথোকপা ঙমগনি। লোয়ননা লৌফম অদু তুং কোইনা শীজিন্নবা য়াবা লৈহাও চেনবা লৌফম ওইদুনা হৌজিক্কী অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক য়াইফবা ওইগনি হায়বসিনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়গা লোয়ননা প্রোফেসরশিংনা পাঙথোকখিবা কোবিফুল থাবগী চাংয়েং অমদা ভর্মিকম্পোষ্টকা রসায়নগী হারগা তোঙান তোঙানবা চাংদা য়ান্নরগা থাবা অমদি য়ান্নদনা তোঙান তোঙান হাপ্তুনা থাবা মতমদা রসায়নখক্তমক শীজিন্নবগা রসায়নগী হারগী চাং ফনা য়াম্না হন্থরগা ভর্মিকম্পোষ্টনা মহুৎ শিনবগা চাথোক্তা পংখেন খেন্নদবগী মওং থেংনখি। চাথোক্তা খেন্নদ্রবসু লৈবাক লৈহাওগী তুং কোইবগী, লৈবাক লৈশা ফগৎপগী অমদি অকোয়বগী ফীভমগী য়েংলগদি য়ান্নরগা হাপ্পসিনা খুদিংমক্তা কান্নবা হেল্লি হায়বা ৱাফমদা লাক্লবা হোৎনখিবা চাংয়েংনি।

উ মোরোক থাবদসু আই এন এম অদুমক শীজিন্নবা য়াই। ভর্মিকম্পোষ্ট গ্রাম ৩০০ উ মোরোক কাংখুল অমদা হাপ্পা অদুগা অৱাৎপা হারগী শরুক্না রসায়ন্না মনাদা কাপ্তুনা নৎত্রগা মখোঙদা হাপ্তুনা মেনখৎপা লোয়ননা রসায়নখক্তমক শীজিন্নবগা চাংদম্নদুনা য়েংবসু য়াই।

হায়রিবা মওংসিদা আই এন এম শীজিন্নদুনা পোৎ চৈ থাবগী কাঙলোন অসি পাম্বী খুদিংমক্কী ওইনা থিজিন্দ্রবসু অদুমক মান্নগনি হায়বগী থাজবদি লৈতবা নত্তে।

খঙজিনবা য়াবা অমনা ওর্গানিক্কী হার মখলশিং অসিদা পাম্বীদা মশা ফনা মপূং ফানা হৌবদা য়াম্না লিক্না খজিক্তমক চংবা অদুবু চংদবদি য়াদবা মচল মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়রিবা মচিঞ্জাক কয়া অমা য়াওই হায়বসিনি। ভর্মিকম্পোষ্টতি মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট খক্তা নত্তনা পাম্বীদা কান্নরবা হোর্মোন মখল খরসু য়াওই।

অমরোমদা অমুক খঙজিনবা য়াবা অমনা আই এন এম পায়খৎপা মতমদা লৈবাক লৈহাওদা শীজিন্নরিবা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং অসিবু মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নদুনা পাম্বীনা চাবা ঙম্বা মওংদা ওন্থোকপা ঙম্বা কান্নরবা হিংকুপ কয়া নীংথিনা হিংবা ঙমহল্লি হায়বসিনি। পাম্বীদা কান্নবা পীবা অতোপ্পা হিংকুপশিং খুদম ওইনা লায়না কয়াগী মহিকপু ঙাকথোকপা ঙম্বা, নুংশিত্তগী পাম্বীগী মচিঞ্জাক নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা অমদি পাম্বীগী মরানা লাম্বা ফংদবা অরাপ্পা মফমদা লৈবা মচলশিংবু পাম্বীগী মরাগা শম্নহন্দুনা পাম্বীদা ফংহনবা ঙম্বা হিংকুপ কয়াগী মশীংসু হেনগৎহন্দুনা লৈবাক অদু অফবা লৈবাক ওইহল্লি হায়বসিনি। হায়রিবা থৌওং অসিনা তুং কোইবা লৌউ তৌবদা শোয়দনা মতেং পাংগদৌরিবনি।

আই এন এমগী অতোপ্পা খুদম অমগা য়েংসি। লৌ লোকখ্রবা মতুং অমুক রবি সিজন্দা হায়বদি নিংথম থাগী মতমদা চুজাক্কা লোয়ননা থবি, মাইরেন, হৱাই খোংনেম্বী ইন্টরক্রোপ্পিং তৌদুনা থারগা লোক্লবা মতুংদা থারিবা পোৎলমশিংগী লেমহৌখাকশিং অদু লৌবুক্তুমক্তদা খোইজিন্দুনা অমদি মখোয়বু থুনা পত্থ পুমথহনবা ঙম্বা হিংকুপ য়াওবা হীদাক শীজিন্নদুনা চহী কয়া লৌ উরক্লবা লৌফমদা হৌজিক রসায়নগী হার শীজিন্নদ্রবসু য়ারবা, পোত্থোক নিংথিনা পুথোকপা ঙল্লবা লৌফম কয়া অমা মণিপুরগী মফম কয়াদা থেংনবিগনি। মসিগী অতোপ্পা মমিংসি ক্রোপ রিসিদ্যু মেনেজমেন্ট হায়নসু খঙনৈ। অসুম্না তপ্না তপ্না অশেংবা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিন্নবগী লম্বী ওইরবনি।

মরমশিং অসি লৈবনা তুং কোইবা লৌউ অমগীদমক আই এন এম পায়খৎলসি হায়বা ৱাফমসু মরী লৈনবা মীপূম খুদিংমক্কী মফমদা থমজরি। ●